**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়-খেন্নবা কয়া লৈদুনসু অমত্তা ওইবগী লিংজেলনা ভারতকী মপাঙ্গল উৎলি।

২) মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা রিলিফ কেম্পশিংদা অঙাংশিংদা মচি ওইবা চীঞ্জাক শেম শারিবশিংদা রাজ্যপালনা শেলগী তেংবাংশিং পীখ্রে।

৩) রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়লনা হায়রি- খুনাই অসিদা মীয়ামদা পাক শন্না অমদি নিংথিনা ঈ-পাউ খঙহনবনা অফবা ৱারেপ কয়া লৌবা ঙমহল্লি।

৪) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- লৈবাক শিনবা থুংনা হেরিতেজশিং য়োকখৎপগা লোয়ননা চাওখৎপগী লন্বীদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লি।

অমসুং

৫) বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১৫ মপুং ফানা শেমখিবগী নুমিৎ ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকখ্রে। রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিং অদুদা জম্মু অমসুং কাশ্মীর, লদাখ, অন্ধ্র প্রদেশ,

অন্দমান অমসুং নিকোবর আইলেন্দ, চান্দিগর, ছত্তিসগর, দিল্লি, হরিয়ানা, করনাতক, কেরলা, লক্সদ্বিপ, মধ্য প্রদেশ, পুদুচেরি, পঞ্জাব অমসুং তামিলনাদুনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- ভারতকী মপাঙ্গল অসি খেন্নবা কয়া লৈদুনসু অমত্তা ওইবগী লিংজেলনা উৎলি। মহাকা হায়- তোঙান তোঙানবা লমদমগী নাৎ, চৎনবী অমসুং মীয়ামা পুনশিন দুনা লৈবাক অসিবু অমত্তা ওইনা মাংলোমদা চংশিন্নবা হোৎনরি। নুমিৎ অসি সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী ৱাখল্লোন অমদি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী এক ভারত স্রেস্থ ভারতপু মঙফাওনহনবা ঙমহল্লগনি। হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা ভারতকী ফজরবা নাৎ চৎনবীশিং য়োকখৎতুনা থম্বগা লোয়ননা ঐখোয় পুমমক ইমুং অমগুম হিংমিন্নবসু রাজ্যপালনা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা লদাখ, পঞ্জাব অমসুং কেরলাগী রাজ্যপাল অমদি অতোপ্পা রাজ্যপালশিংনা পীরকপা ভিদিও মেসেজ অমসু উৎখি। জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমিনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পার্ফোমেন্স কয়া উৎখি।

রাজ ভবন (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা রিলিফ কেম্পশিংদা অঙাংশিংদা মচি ওইবা চীঞ্জাক শেম শারিবশিংদা শেলগী তেংবাংশিং পীখ্রে।

মিসন অসিগী মখাদা ডাক্তরশিং অমসুং ন্যুত্রিসন্নেলিষ্টশিংনা নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা চহি ৯ অমসুং মসিগী মখাদা লৈবা লাঞ্জেন্নরিবা অঙাংশিংদা মচি ওইবা চীঞ্জাক পীজনবগী পান্দমদা শেম শারবা মমাজ গিভ অসি খুরাইদা লৈবা লময়ানবী ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন্না মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা পুথোকপনি। থৌরাং অসিগী মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, জিরিবাম, তেংনৌপল অমসুং কাংপোকপী জিলাগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈবা অঙাং লিশিং ১ হেনবদা কান্নবা ফংহনখ্রে। রাজ্যপালনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিদা থাগৎপা ফোংদোকখি।

হিয়াংলম (এল)ঃ রাজ্য অসিদা হৌজিক ফাওবা লৈঙাক শেমদনা লৈরিবা অসি কেন্দ্রগী লুচিংবশিংগী মীৎয়েং মখাদা মতম চাবা তাঞ্জা অমা য়েংদুনা লৈবদগী ওইরমগনি হায়না এম.এল.এ- যুমাম রাধেশ্যামনা হায়রি।

হিয়াংলম কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা তেজপুরদা এম.এল.এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী তাঙ্কক অনি থোকা শাবা কম্ম্যুনিতি হোল অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা শ্রী রাধেশ্যামনা হায়- রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা সরকার শেমগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা মহাক মশামক্তা লৈ। এম.এল.এ খরনা মানা মানা থাজনবা মফমদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না রাজ্য অসিদা নবেম্বর ১৫ গী মতুংদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেল্লগনি হায়না ফোংদোকপা লৈ। অদুবু করম্বা মতমদা সরকার শেমগনি হায়বসি মহাক মশামক্কী মাইকৈদগীদি হায়বা ঙমদে। রাজ্য অসিদা অথুবদা অনৌবা লৈঙাক শেমদ্রগদি লৈরিবা ইরাং অসি শান্তি পুরকপা ঙমলোই। মরম অসিনা অথুবদা অনৌবা লৈঙাক অমা তঙাইফদনা লৈহন্দবা য়াদে।

চাক্কৌবা (এল)ঃ ওল খা কংলৈ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা ৫ শুবা অপুনবা চীং-তম নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অমা ঙসি সেন্ত্রেল পাব্লিক হোল, ৱাই.এম হাইস্কুল কেম্পস ককচিংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা মণিপুর সরকারগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টসকী সেক্রেতরি নাওরেম প্রবিন, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়ারপার্সন নাওরেম শান্তিকুমার, মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কলেজগী এদ্দিসনেল দাইরেক্তর য়েংখোম ভিক্তোরিয়া অমসুং ককচিং জিলাগী এস.পি. প্রিয়াদরসনি লাইশ্রম শরুক য়াখি। ককচিংগী অকোইবদা লৈবা চীং অমদি তমগী নিংঙোলশিং শরুক য়াখিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অদুদা নিংঙোলশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা য়াইফ মঙ্গোল পীনখি।

গোয়ল (এল)ঃ রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়লনা হায়রি- খুনাই অসিদা মীয়ামদা পাক শন্না অমদি নিংথিনা পাউ খঙহনবনা অফবা ৱারেপ কয়া লৌবা ঙমহল্লি।

ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা মণিপুর সরকারগী ইনফোর্মেসন অমসুং পাব্লিক রিলেসন্স (আই.পি.আর)বিভাগনা শিন্দুনা বিভাগ অসিগী ওদিতোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখিবা ৭৭ শুবা ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স ডে ২০২৫ গী পালন থৌরমদা ডাঃ গোয়লনা মখা তানা হায়- ঙসিগী দিজিতেল অমদি সোসিয়েল মিদিয়াগী মতম অসিদা মীয়ামদা অচুম্বা অমদি থাজবা য়াবা পাউশিং মতম চানা ফংহনবগী তঙাইফদবা লৈ। রাজ্য অসিগী আই.পি.আর বিভাগ অসিনা মতম কয়াদগী মণিপুর সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মীয়ামদা খঙহন্দুনা লাক্লি। বিভাগ অসিগী খুথাংদা মতম মতমগী ওইনা সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মায় পাকপা, পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং অমদি মদুদা থেংনরিবশিং য়াওনা মীয়ামদা লৈবা চমমবশিং কোকহন্দুনা লাক্লি। রাজ্য অসিদা দিজিতেল কম্যুনিকেসন অমদি সোসিয়েল মিদিয়াগী ওইরক্লিবা অহোংবা অসিদা আই.পি.আরগী থৌদাং য়ামা মরুওইরি। চহি অসিগী ওগষ্ট ১ দা মণিপুর সরকারনা ই-গেজেট হৌদোক্তুনা দিজিতেলগী খুথাংদা মীয়ামা খঙবা য়াবশিং খঙহন্নবা হোৎনরি। মসিনা সরকারগী থবক থৌরমশিং মনুং মপান ফাওনা মীয়ামদা খঙহল্লি।

থৌবাল (এল)ঃ লোক সভাগী এম.পি ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়রি- অঙাং অমবু মতিক মীওই অমমম ওইনবা শেন্দ্বদা মমা মপা য়াওনা স্কুল ওজাশিংগী চাউরবা দাইত্ব লৈ।

থৌবাল জিলাগী তাংজেংদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ডাঃ বিমোলনা মখা তানা হায়- মহৈরোইশিংনসু মথৌ মশক খঙবা অমদি লেপ্পা লৈতনা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মহৈরোইশিংনা পুন্সিদা পান্দম অমা থমদুনা মদুবু ফংনবা হোৎনগদবনি। মহৈরোইশিংনা নাৎ অমসুং কলা সংস্কৃতিগী ওইবা জগোই ঈশৈগী থৌরমশিং পাঙথোকপনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

ফেয়ার (এল)ঃ নুমিৎ নিনি চত্থগদবা মহৈরোইশিংগী কেরিয়ার কাউন্সিল্লিংগী থৌরম অমা ঙসিদগী ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা হৌখ্রে। থৌরম অসি

স্কুল ফেয়ার এন্দ ইংলিস ওলিম্পিয়াদ ইগজাম হায়বসিদা পাঙথোকপনি।

এন.ই.ই.সি ইজ্‌কেসন ট্রষ্টনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা মপান লমদগী লাকপা তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা মহৈরোইশিংগী মখা তাবা মহৈ মশিং তমবগীদমক তেংবাংলি।

কাউন্সেল্লিং (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী থৌবাল ওক্রমদা লৈবা ভিজন ক্রিয়েতিভ স্কুল ওফ সাইন্সতা মহৈরোইশিংগী ওইবা কাউন্সেল্লিংগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মহৈরোইশিং অমদি মমা মপাশিংনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মিমসকী প্রোফেসার ডাঃ চিংঙাখম ইবোহলনা কাউন্সিল্লর ওইনা মতৌ করমা মহৈরোইশিংনা তুংদা মায় পাকপা মীওইশিং ওইগনি হায়বা মতাং য়াওনা মহৈরোইশিংনা চৎকদবা লমচৎ শাজৎকী ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

সিম্পোজিয়ম (এল)ঃ য়ুনাইতেদ মৈতৈ পাঙল কমিতি, মণিপুর ইন্তরনেসনেল য়ুথ সেন্তর অমসুং পিপলস প্রোগ্রেসিভ এল্লায়েন্স মণিপুরনা শিন্দুনা থৌবাল জিলাগী লিলোং হাওরৈবী কলেজগী ওদিতোরিয়মদা সিম্পোজিয়ম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। দিকোদিং দ প্রজেন্ট: এ হেলিষ্টিক ষ্টদি ওফ মণিপুরস সোসিও পোলিতিকেল রিএলিতিজ হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা সিম্পোজিয়ম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা শরুক য়াখি।

ফিলম (এল)ঃ গোৱাদা পাঙথোক্কদবা ৫৬ শুবা ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়াগী পেনেল দিস্কসনদা স্পিকর ওইনা শরুক য়ানবগীদমক শকাইরবা ফিলম মেক্কর হাওবম পাবন কুমার খল্লক্লে। থা অসিগী ২০ দগী হৌগদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসিগী পেন্নেল দিস্কসনদা স্পিকর ওইনা শরুক য়ানবগীদমক পাবন কুমারবু মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী নেসনেল ফিলম দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন্না খল্লকখিবনি।

কেন্সর (এল)ঃ   ব্রেষ্ট অমদি সরভাইকেল কেন্সর খঙদোকপা অমদি মসিগী মতাংদা খঙহন্নবগী থৌরম অমা লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল লৈমারোলনা শিন্দুনা খোংজোমদা লৈবা সিতি হোস্পিতালদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সিজ ব্রেষ্ট এন্দ থাইরোদ ক্লিনিক্কী কন্সলটেন্ট ডাঃ আজিৎ লুক্রাম য়াওনা খঙ হৈরবা ডোক্তরশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ  মোইরাং কেন্দ্র অপুনবা লৌমী শিন্মী অমসুং নুপী লুপনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা লৈবা মোইরাং তুরেলবান লৈকাই মান্দপতা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়াসু লৌখি।

পিএম ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ছত্তিসগী বিধান সভাগী অনৌবা বিল্ডিং নাভা রাইপুরদা শঙ্গাখ্রে। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অমসুং ভারত রতা মনা ফংখ্রবা অতল বিহারি ভাজপায়গী মীতম অমসু মায়খুম হাংদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক শিনবা থুংনা ঙসিদি হেরিতেজশিং য়োকখৎপগা লোয়ননা চাওখৎপগী লম্বীদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লি। মহাকা হায়- মসি কেন্দ্র সরকারগী ফিরেপ অমসুং থৌশিলশিংদা চাউনা মমি তারি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- নৌনা শারিবা ছত্তিসগর বিধান সভাগী অনৌবা বিল্ডিং অসিদা রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা হেরিতেজগী অচৌবা মীৎয়েংফম অমা ওইবগা লোয়ননা ভারতকী মঙলান অদু ময়েক শেংনা উরি। শ্রী মোদিনা হায়- নৌনা শঙ্গারিবা বিল্ডিং অসিনা গনতন্ত্রদগী য়ুম্বী অমা ওইরি হায়বদু উৎলে। মফম অসিদগী লৌরকপা ৱারেপশিংনা ছত্তিসগর রাজ্যগী ওইনা তুংগী ফিরেপশিং লেপ্পদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।  প্রধান মন্ত্রিগী রাইপুর খোঙচৎ মনুংদা শ্রী মোদিনা সহিদ বির নরায়ন সিংহ মেমোরিয়েল অমসুং ত্রাইবেল ফ্রিদম ফাইতর ম্যুজিয়মদসু চৎখি।

বিহার ঃ  বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। অদুমওইনমক, অকনবা নোং অমসুং নুংশিৎনা মরম ওইদুনা ঙসি ভোৎ খোম্বগী থবক্তা চাউনা অপনবা থোকখি। এন.দি.এ অমসুং মহাগদবন্ধনগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীখলগী রেল্লিশিং পাঙথোক্কদবা অদু থিন্থুরে।  নোং চীংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা হেলিকোপ্তর সার্ভিসতা অকায়বা থোকপদগী ষ্টার কেম্পেন্নরশিংনা বিধান সভা কেন্দ্র অমদগী কেন্দ্র অমদা চৎপদা খুদোংচাদবা মায়োকখি।

মরক অসিদা, মুখ্য মন্ত্রি নিতিশ কুমার, জন শুরজ পার্তিগী প্রসান্ট কিশর অমসুং অতৈ মশক নাইরবা কেম্পেন্নর কয়ানা মীখলগী রোড সো কয়াদা শরুক য়াখি। রাজ্য অসিগী অহানবা থাক্কী মীখলগী ভোৎ থা অসিগী ৬ তা থাদনগনি।

অন্ধ্র প্রদেশ ঃ   অন্ধ্র প্রদেশকী শ্রীকাকুলম জিলাগী কাসিবুগাদা লৈবা শ্রীভেনকতেশ্বরা স্বামি মন্দিরদা ঙসি মীয়াম নেৎশিন্নবদা মীওই ৯ শিরে। মন্দির অসিদা য়াম্লবা মীয়ামা লাই খুরুম্বা লাকপদা রেলিং কায়রগা তারকপদগী মীয়াম কায়দুনা চেন্নবদা নেৎশিন্নবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলো ঃ  মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা চত্থরিবা ৩৮ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম-বিনা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব টিম-বি নোংমৈবুংবু পাঞ্জল ৮-১ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা আরবিন্দ পোলো ক্লব টিম-এ ইরোইশেম্বনা তেন্থা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-৩ দা থোইখি।

ফুটবেলঃ  ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চত্থরিবা অহুমসুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ওল মোইরাং

ফুটবোল এসোসিয়েসন্না ইম্ফাল য়ুথ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবেলঃ   সেক্তর হেদক্বাটর সি.আই ওপরেসন বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্সনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা শিনবা চহি ১৫ মখাগী ষ্টেট লেবেল লেট কন্সটেবল দিপক চীংঙাখম বির চক্র ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা খুমন এফ.এনা য়ু.সি এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবেলঃ   জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিয়েসনন্না শিনদুনা চথরক্লিবা ১৪ শুবা জদোনং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা এন.ৱাই.সি নমথানলোং সেমি ফাইনেল চংলে। তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমসুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা এন.ৱাই.সি নমথানলোং অমসুং এফ.সি.এন নৈকানলোং অনিনা লম্বা থেংনবদা অপিবা মতমগী মনুংদা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎপদগী পেনালতি সুট আউটতা এন.ৱাই.সি নমথানলোং এফ.সি.এন নৈকানলোংবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইদুনা তুরনামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখিবনি।

চেস ঃ অহানবা ৱাই.এস.সি.য়ু রেপিদ ওপন চেস তুরনামেন্ট ঙসিদগী ৱাহেংবম লৈকাই য়ুমজাউ লাইরেম্বীদা হৌখ্রে। ৱাই.এস.সি.য়ু ৱাহেংবম লৈকাইনা চেস একাদমিগা খুৎশমনা শিনবা তুরনামেন্ট অসিদা ওপন অমসুং জুনিয়র হায়না খায়দোক্তুনা কেটাগোরি অনিদা অথোই অহেন তান্নগনি। তুরনামেন্ট অসিদা পুন্না শান্নরোই ১৫০ রোমা শরুক য়ারি।

ফুটবেলঃ   হিল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিনবা ৭ শুবা ইদিসন স্পোর্টস মিট ২০২৫ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী চান্দেলগী শান্নরোইশিংবু ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চান্দেলনা শিন্দুনা জিলা অসিগী লিৱা খুল্লেলদা লৈবা থোরুল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবনি।

------